# রাইবরেলিদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিঃ
# ফার্ম লোন কোক্লবা কংগ্রেসকী ৱাশক অচৌবা মীনস্বা অমনি



***রাইবরেলি, দিসেম্বর ১৬ঃ***

হন্দক্তা পাংথোকখিবা এসেমব্লি মীখলশিংদা কংগ্রেসকী মখুত্তা অচৌবা ষ্টেট ৩ অমসুং রিজনেল পার্টিশিংগী খুৎতা অতোপ্পা ষ্টেট ২দা মায়থিখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহৌশানা গান্ধী ফেমিলিগী অকনবা মফম অমা ওইরিবা উত্তর প্রদেসকী রাইবরেলিদা মথঙ চহিগী লোক সাভা মীখলগীদমক বি জে পি কেম্পেন হৌদোকপা ওইনা মাগী অহানবা মীয়ামগী মীফম পাংথোকখ্রে।

রাফেল দিলগী মতাংদা কংগ্রেসকী চরাংনবা কেম্পেনদগী হৌরগা লৌমীশিংগী অৱাবা ময়োক্লরিবা অসিগীদমক সেন্টরদা লৈরম্বা মমাঙগী গভর্ণমেন্টতা মরাল শীরদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মরুওইবা পার্টিশিংগী মথক্তা অখাকপা লৈতনা চৈথখ্রে।

লৈবাক অসিগী চহি ৭০ গী ইতিহাসতা লৌমীশিংনা সুপ্নগী অৱাবা খক্তা ময়োক্লরগনি। ২০০৮তা কংগ্রেসনা লৌমীশিংগী লোন কোক্কনি ৱাশকখি। হন্দকসু পার্টি অসিনা চপ মানবা ৱাশক অদু শক্লি। কংগ্রেসকী লোন কোকপগী স্কিম অদু অচৌবা মীনস্বা অমনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি।

লৌমীশিংগী লূপা ক্রোর লাক্ষ ৬কী লোনগী মনূংদগী মমাঙগী য়ু পি এ গভর্ণমেন্টনা সুপ্নগী লূপা ক্রোর লিশিং ৬০ খক কোকখি। লোন কোকপগী খুদোঙচাবা ফঙফম শুক্তোক থোক্তবা য়ামদ্রবদা মী লাক্ষ ৩৫না লোন কোকপগী খুদোঙচাবদু লৌখি, অমরোমদা লৌমীশিংনা মখাতানা অৱাবা ময়োক্লহৌখি। মসিনা তাকপদি কংগ্রেসনা লৌমীগী লোন কোক্লবগী ৱাশক অসি অচৌবা মীনস্বা অমনি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৱাফম অসি মধ্য প্রদেস, ছতিসগর অমসুং রাজস্থানদা কংগ্রেসনা লূচিংবা গভর্ণমেন্টশিং শেম্লবা নুমিৎ ১০নীগী মনূংদা ষ্টেট ৩ অসিদা লৌমীশিংগী লোন কোক্কনি হায়না কংগ্রেসনা ৱাশকখিবা অদুগী নুমিৎ খরনিগী তূংদা ফোঙদোকখিবনি।

সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা রাফেল ফাইটর জেট দিলগী ৱায়েল, অগষ্টা ৱেষ্টলেন্দ দিল অমসুং বোফোর্স দিলগী মতাংদা কংগ্রেসকী মথক্তা চৈরদুনা রাইবরেলি কনষ্টিট্যুয়েনসিদা ৱা ঙাংবদা বি জে পি গভর্ণমেন্টকী দিফেন্স দিলশিংদা কুৱাত্রোচি 'মামা', খৃষ্টিয়ান মিচেল অঙ্কল অমত্তা য়াওদবা মরমদগী ঙসি কংগ্রেসনা শাওনিংবা পোক্লিব্রা অমসুং মীনস্বা অমগী মথক্তা মীনস্বা অমা ঙাংদুনা লৈরিব্রা হায়বসি কংগ্রেসতগী ঐনা খঙবা পাম্মি হায়খি।

ওত্তাভিও কুৱাত্রোচি হায়বা ইতালিয়ান নেসনেল অদু হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং রাহুল গান্ধীগী অপোকপা রজিব গান্ধীনা লূচিংবা গভর্ণমেন্ট অদুনা তৌরম্বা বোফোর্স দিলগী ময়াই চাবী মীওই অমনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হায়খি।

অদুগা অগষ্টা ৱেষ্টলেন্দগা তৌনখিবা ভি ভি আই পি চোপ্পরস দিলগী ব্রোক্কর ওইখিবা খৃষ্টিয়ান মিচেল য়ু এ ইনা হন্দক্তা এক্সট্রেদিট তৌরকখ্রে হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা খোঙচৎ অসিদা হান্না এল্লাহাবাদ কৌরম্বা প্রয়াগরাজদা চৎতুনা মথঙ চহিগী জনুৱারী ১৫দগী হৌগদৌরিবা মীওই লাক্ষ কয়া তিল্লগদৌরিবা কুম্ভ মেলাগী তৌরিবা থৌরাংশিং য়েঙশিনখি অমসুং মেলা অসিগীদমক মতমগা চৎননা য়ক লাওনা থাকৱাংলবা কমান্দ এন্দ কন্ট্রোল সেন্টর শঙ্গাখি, অদুগা মফম অসিগী এয়ারপোর্টকী অনৌবা টর্মিনেলসু শঙ্গারমগনি।

খোঙচৎ অসিদা প্রাইম মিনিষ্টরবু উত্তর প্রদেস চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা লোয়নরক্লি।

# জেরুসালেমবু ইজরেলগী কোনূং ওইনা শকখঙনবগী
# হক লৈতেঃ মালেসিয়ান পি এম মহাথির



***বেঙ্গোক, দিসেম্বর ১৬ঃ***

মালেসিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মহাথির মুহমদনা জেরুসালেমবু ইজরেলগী কোনূং ওইনা শকখঙনবগী লৈবাকশিংগী হক লৈতে হায়না ঙসি ফোঙদোক্লদুনা ইজরেলগী কোনূং ওইনা ৱেষ্ট জেরুসালেমবু শকখঙনবগী অস্ত্রেলিয়াগী খোঙথাং অদুবু কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে।

চহি অসিগী মে থাদা ইজরেলদা লৈবা য়ু এস এম্বেসিবু টেল এভিবতগী জেরুসালেমদা হোঙজিনবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল ট্রম্পগী ৱারেপ অদুগী মখা তারকপদা অস্ত্রেলিয়ানা অমুক খোঙথাং অদু লৌখৎলকপনি। দোনাল ট্রম্পকী ৱারেপ অদুনা পেলেতিনিয়ানশিং অমসুং ইস্লামিক ৱার্ল্ডবু শাওহনখি। মদুদা নৎতনা য়ু এসকী ৱেষ্টর্ন এলাইশিংবুসু শাওহনখিবনি।

জেরুসালেমনা হৌজিক লৈরবা ফিভম অসিদা অদুমক লৈরিবা অমসুং মসি ইজরেলগী কোনূং অদু নৎতে হায়না থাইলেনগী কোনূং বেঙ্কোকতা পাংথোকপা থৌরম অমগী নাকনদা প্রাইম মিনিষ্টর মহাথিরনা পাউগী এজেন্সি রোইর্টরসতা হায়খি।

জেরুসালেম মতম পূন্নমক্তা পেলেষ্টাইনগী মনূংচান্না লৈরকখিবনি। মরম অদুনা মখোয়গী নৎতবা জেরুসালেমবু মচেৎ অনী থুগাইনবা মখোয়না হোৎনরক্লিবগী মরম করিনো। মসিদা মখোয়গী হক লৈতে হায়না মহাক্ল মখা তাখি।

মলেসিয়া অসি মুস্লিমনা মশিং য়াম্বা লৈবাক্লি অমসুং পেলেষ্টৈনিয়াগা ইজরেলগা অনীগী মরক্তা মতম কুইনদগী লৈরক্লিবা মুক্রবা অসিদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট অনী ওইনা লৈনবগী সোলূসন অমা হান্নদগী হৌনা শৌগৎলক্লিবনি।

মুস্লিম, জেৱিস অমসুং খৃষ্টিয়ান লাইনীংগী অশেঙবা মফমশিং লৈরিবা জেরুসালেমগী ফিভম করম্বা মওংদা থমগদগে হায়বসিনা ইজরেল অমসুং পেলেষ্টেনিয়ান ষ্টেট অমগী কোনূং ওইনা ইষ্ট জেরুসালেমবু মালেমগী লৈবাকশিংনা শকখঙবা পাম্লিবা পেলিষ্টৈনিয়ানশিংগী মরক্তা শান্তিগী য়ানরোল অমা পুরকপগী লম্বীদা খ্বাইদগী চাওবা খুরৌ অমা ওইরি।

ইজরেলনা জেরুসালেম লোয়নমকপু মখোয়গী কোনূং ওইনা খল্লি। ১৯৬৭দা থোকখিবা মিদ্দল ইষ্ট ৱার অদুগী মতূংদা ইজরেলনা খোপচিনখিবা অদুবু মালেমগী লৈবাকশিংনা হৌজিক ফাওবদা য়াদ্রিবা জেরুসালেমগী ইষ্টর্ন সেক্টর অদুসু য়াওনা ইজরেলনা মখোয়গী লমনি দিমান্দ তৌরি।

অস্ত্রেলিয়ানা চহি দিকেট কয়াদগী চত্থরকখিবা মিদ্দল ইষ্ট পোলিসি অদু ঙৱাং নহানতা লৈবাকসিগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোত মোরিসননা মথক-মখা ওনথোকখি অদুবু টেল এভিবতগী অস্ত্রেলিয়ান এম্বেসি অদু জেরুসালেমদা হোঙজিন্নবগী খুদক্কী থৌরাং লৈতে হায়খি।

# নোংমদা মেদিয়া ইভেন্ট ৭০ পাংথোক্তুনা রাফেলগী
# মতাংদা বি জে পিনা কার্পেট বোম এটেকথৌরাং তৌরি




***ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৬ঃ***

বিজেপিনা পায়বা ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিং অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং য়াওনা বি জে পিগী মকোক থোঙবা লূচিংবশিংনা হয়েং নিংথৌকাবা নুমিৎতা লৈবাক অসিগী সিটিশিংদা প্রেস কনফরেন্সশিং পাংথোক্তুনা ফ্রান্সতগী রাফেল ফাইটর জেট লৈবা ৱাথোক্কী মতাংদা গভর্ণমেন্টকী মথক্তা মরাল শীদুনা লাকখিবা কংগ্রেসতা অমুক ওনশিন্দুনা গভর্ণমেন্টকী ময়োক্তা কংগ্রেসকী লৌতুনবা নেসনেল সেক্যুরিটিদা শোকহল্লিবা অদু খঙহনগদৌরি।

বি জে পিগী ঈ-পাউগী মকোক অমসুং রাজ্য-সভা মেম্বর অনিল বালুরিনা হায়খি, সুপ্রিম কোর্টনা রাফেল দিলগী মরমদা ময়েক শেঙনা অচুম্বা অদু হায়খ্রবা মতুং ফাওবদা গভর্ণমেন্টকী ময়োক্তা চত্থরিবা কংগ্রেসকী কনস্পিরেনসি অমসুং নেসনেল সেক্যুরিটিবু মখোয়গী খূৎলাই ওইনা শাননবা হোৎনরিবা অরোনবা অদু বি জে পিনা মায়খুম হাংদোক্কনি।

ফাইটর এয়ারক্রাফ লৈবা অদুগী মতাংদা গভর্ণমেন্টতা মরাল শীরক্লিবশিং অদুগী মীনম্বশিং অদু কোর্টকী ৱায়েল অদুনা চপচানা ফোঙদোক্লবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

উত্তর প্রদেস, মহারাস্ত্র, গুজরাত, অমসুং অসামগী চীফ মিনিষ্টরশিং মথঙশিংনা যোগী অদিত্যনাথ, দেবেন্দ্রা ফদনাবিস, বিজয় রুপনি, সরবানন্দা সোনোৱালনা গুৱাহাতি, অহমেদবাদ, জয়পুর অমসুং আগরতলাদা মেদিয়াদা ৱা ঙাংগনি হায়রি।

নিরমলা সিতরমন, রবি সঙ্কর প্রসাদ, প্রকাস জাবদেকর, জে পি নদ্দা, স্মৃতি ইরানি, সুরেস প্রভু নচিংবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং অমসুং মধ্যপ্রদেসকী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহান অমসুং পার্টি ওর্গনাইজেসনগী থৌপুবা লূচিংবশিংনা হয়েঙ নিংথৌকাবা নুমিৎতা তোঙান -তোঙানবা মফমশিংদা মেদিয়াদা ৱা ঙাংগনি।

সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অদুগী মতূংদা বি জে পি প্রসিদেন্ট অমিত শাহনা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীবু লাল্লে হায়জগদবনি হায়খি অদুবু কংগ্রেস লূচিংবা অদুনা মাগী হান্নগী হৈনবী অদু থাদোক্তনা রাফেল দিল অদুদা করপসন তৌখি হায়না অদুমক মরাল শীদুনা লৈরি।

# রসিয়াদা য়ূম মৈ চাকপদা অঙাং ৬ য়াওনা ১০ শিখ্রে

***মোস্কো, দিসেম্বর ১৬ঃ***

রসিয়াগী সিটি কয়ামরুমদা ঙসি য়ূম মৈ চাকপগী থৌদোকশিংদা অঙাং ৬ অমসুং অহন ৪ পূনা মীওই ১০ শিরে হায়না রসিয়ান মেদিয়ানা ফোঙখ্রে।

উরল মাউন্টেন্সকী খা থঙবা বাসকোরটোষ্টানগী খূঙ্গং অমদা য়ূম অমা মৈ চাকপদা অঙাং ৩ শিখি। অঙাং ৩ অদু চহি ২শুরবা অঙাং অমা অমসুং চহি ৪ শুরবা অঙাং অনীনি।

খা থঙবা সরাতোব রিজনগী খূঙ্গংদসু ঙসি য়ূম মৈ চাকপদা অঙাং ২ শিখি।

মোসকো রিজনগী টাউন পেরেসভেততা দোমিটোরি মৈ চাকপদা অহল ২ শিখি অদুগা অঙাং ৩ শোকখি।

ওফিসিয়েলশিংনা অচা-শেল লৌদুনা রসিয়াদা য়ূম শাবদা ফয়ার সেফেটি রুলস ইন্দবদগী মৈ চাকপগী থৌদোক তোয়না থোকই।

# চহি ৯দা মোবাইল এপ্প পুথোকপা ইন্দিয়ান অঙাং, চহি
# ১৩ শুবদা দুবাইদা সোফৱায়ার কম্পেনি মপু ওইখ্রে

***দুবাই, দিসেম্বর ১৬ঃ***

চহি ৪গী মমাঙদা মহাক্কী অহানবা মোবাইল এপ্লিকেসন পুথোকখিবা দুবাইদা লৈবা মশাগী চহি ১৩ শুরবা ইন্দিয়া নুপামচা অমনা সোফৱায়ার দিভলপমেন্ট কম্পেনি অমগী মপু ওইখ্রে হায়না ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎকী মেদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।



কেরেলাদগী মহৈরোই আদিতিয়ান রাজেসনা মতম লেনফম খঙদদনা মাগী হৈনবী অমা ওইনা মখূৎ লেঙবদগী মহাক্না অহানবা মোবাইল এপ্লিকেসন পুথোকখিবা মতম অদুদা মহাক মশাগী চহি সুপ্নগী ৯ খক্তা ঙাইরি মতম অদুদগী হৌনা মহাক্না মীওই কয়ামরুমগীদমক লোগোশিং অমসুং ৱেবসাইটশিং দিজাইন তৌরকখি।

মহাক্না চহি ৫ শুরকপদা কমপ্যুটর অমা শিজিনবা হৌরকখিবা টেক ৱিজার্দ অসিনা মমৈথঙদা মশাগী চহি ১৩ শুরকপদা ট্রিনেট সোলূসন্স কৌবা মহাক মশাগী কম্পেনি অমা লিঙখৎখি হায়না য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী দুবাইদা ফোঙবা নুমিৎ খুদিংগী ইবা পাউ-চে খালীজ টাইমসনা হায়রি।

ঐহাক কেরেলাগী থিরুভীলাদা পোকখি। ঐনা চহি ৫ শুরকপা মতমদা ঐগী ইমূং মনূং মফম অসিদা য়ূম হোঙলকখিবনি। ঐগী অপোকপনা ঐঙোন্দা উৎখিবা অহানবা ৱেবসাইট অদু মহৈরোই অঙাংশিংনা টায়পিং তম্নবগী ৱেবসাইট অমা ওইরিবা বি বি সি টায়পিং হায়বদুনি হায়না পাউ-চে অসিদা মহাক্না হায়খি।

মহাকী ট্রিনেট সোলুসন্সতা পূন্না ইমপ্লোয়ী ৩ লৈ। ইমপ্লোইয়ী ৩ অদু মহাক্কী স্কুলগী মহৈরোইশিং অমসুং মরুপশিংনি।

তসেঙনমক লিঙখৎলবা কম্পেনি মপু অমা ওইনবগীদমক ঐহাক ইশাগী চহি ১৮ মথক্তা লৈবগী মথৌ তাই। অদুম ওইনমক কম্পেনি অমগা চপ মান্ননা ঐখোয় থবক তৌরি। ঐখোয়না ক্লাইন্ট ১২ হেনবগী থবক তৌখ্রে। অমসুং মখোয়দা ঐখোয়গী দিজাইন অমসুং কোদিং সার্ভিসশিং মমল অমতা লৌদনা পীখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

# য়েমেনদা হৌথি রিবেল ২২ শিখ্রে

***দুবাই, দিসেম্বর ১৬ঃ***

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা শিন্দুনা সিজফয়ার অমা তৌনখ্রবা ফাওদসু ঙরাংদগী ঙসি অয়ুক পূং ৫ ফাওবদা য়েমেনগী রিবেলনা পায়রিবা হিথাংফম সিটি হোদৈদাগী মপান্দা লৈবা মফমশিংদা হৌথি রিবেলশিংগা সাউদিনা লূচিংবা কোলিসনগী এয়ার ষ্ট্রাইকশিংদা হৌথি রিবেল ২২ য়াওনা য়ামদ্রবদা ফাইটর ২৯ শিখ্রে হায়না গভর্ণমেন্টকী মীচংদা লৈবা মিলিটরি লীখুন অমনা হায়রি।

ঙসি অয়ুক ফাওবা ঙরাং নুমিদাংদগী জেট ফাইটরশিংগী মখোল তাখি। য়াম্না শাথিবা মওংদা খূৎ থোক্লখি হায়না সিটি অদুগী মীওই অমনা টেলিফোনদা ফোঙদোক্লকখি।

# জে এন্দ কেদা সেক্যুরিট ফোর্সনা মীচম ৭ হাৎখিবগী
# ময়োক্তা ঙসিদগী নুমিৎ হুন্নি হরতাল কৌখ্রে



***শ্রীনগর, দিসেম্বর ১৬ঃ***

খা কাস্মিরগী পুলৱামাদা ষ্টেট ফোর্সশিংগা হিজবুল টেরোরিষ্টশিংগা অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লবা অদুগী ময়োক্তা থিংনবা প্রোটেষ্ট তৌখিবা মীচমশিংদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নোংমৈ কাপ্পদা মীচম ৭ হাৎখিবা অদুগী ময়োক্তা হয়েঙ নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌনা নুমিৎ হুন্নিগী হরতাল কৌখ্রে।

জম্মু এন্দ কাস্মিরগী শক্লাইরবা লূচিংবশিং-সয়েদ অলি শাহ গীলানী, মিরৱাইজ উমর অমসুং য়াসিন মালিকনা কৌখিবা হরতাল অদু শৌগৎপা মীয়াম হেন্না -হেন্না থোক্লকখ্রে। অমরোমদা ওথোরিটিনসু ঙরাংদগী হৌনা মফম অসিদা সেক্সন ১৪৪ থমজিনখ্রে।

সেক্যুরিট ফোর্সকা টেরোরিষ্টশিংগা খূৎ থোক্লখিবা অমসুং মীচমশিং শিখিবা অদুগী মতূংদা কাস্মির তম্পাক্তা নুংশুক-নুংজান্নবা অমসুং উংখৎনবগী ফীভম লৈখ্রে। শাওরবা প্রোটেষ্টরশিংনা মফম কয়ামরুমদা লম্বি-লমজাওশিংদা থোক্লরকখ্রে অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা লনুঙনা থাজিল্লকখ্রে।

ঙরাং থাংজগী খূৎ থোক্লবা অদু চহি অসিগী জুন থাদগী গভর্ণস রুল মখাদা থম্লক্লিবা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী কাস্মির তম্পাক্তা ২০১৮দা টেররগা মরিলৈনবা ৪৩০ শুবা থৌদোক্লি। ঙরাং শিখিবা মীচম ৭ অদু থারগা অসিগুম্বা প্রোটেষ্ট অমসুং খূৎ থোক্লবদা শিবা মীচম ৭৯ শুখ্রে। মীচমশিং হাৎপনা টেরোরিষ্টশিংগী মথক্তা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী অকনবা থবক ওইবা য়ারোই মসি তসেঙনমক মরাল লৈতবা মীয়াম পাকক্তকননা হাৎপা অমনি হায়না নেসনেল কনফরেন্সকী ওমর অবদুলানা হায়খি।

# দিষ্টিলরিগী বোইলর পোকখাইবদা ৩ শিখ্রে

***বেঙ্গলুরু, দিসেম্বর ১৬ঃ***

অৱাং করনাতকাগী বাগলকোততা লৈবা দিষ্টিলরি অমগী বোইলর পোখাইবদা মীওই ৩ শিখ্রে অমসুং মীওইকয়া শোকখ্রে।

দিষ্টিলরি অদু করনাতাগী মিনিষ্টর ওইরম্বা মুরুগেস নিরানিগীনি নিরানি। সুগরসতা নুমিৎয়ুংবা মতূংদা পোকখাইখিবনি।

# কোব্রা কম্যান্দো শোকখ্রে

***জমসেতপুর, দিসেম্বর ১৬ঃ***

ঝরখন্দগী সেরাই কেলাখরস্বানগী চীংগী মফম অমদা সি পি আই মাওইষ্টশিং চঙশিল্লকপগী পাউ তাবদগী পুলিস অমসুং সি আর পি এফকী কোব্রা বতালিয়েনগী পার্সোনেল অমনা চঙশিলুবদা মাওইষ্টশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিলকপদগী ঙরাং অয়ুক কোব্রা কম্যান্দো অমা শোকখ্রে হায়রি।

# ফম লৌথোকলুরবা ৱিক্রেমেসিংঘেনা অমুক হন্না
# শ্রীলঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

***কলম্বো, দিসেম্বর ১৬ঃ***

শ্রীলঙ্কাবু মফম-মরাং খঙহনখিদবা নুমিৎ ৫১গী ৱাথোক লোয়শিনদুনা থা খরগী মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর ফম লৌথোকখিবা রানিল ৱিক্রেমেসিংঘেনা অমুক হন্না ঈথৎ লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে।



ওক্তোবর ২৬তা ৱিক্রেমেসিংঘেবু প্রাইম মিনিষ্টর ওইবদগী লৌথোকখিবা প্রসিদেন্ট মায়থ্রিপলা সিরিসেনানা মশাগী চহি ৫৯ শুরবা লূচিংবা অদুবু ৱাশক লৌখি।

ওক্তোবরগী লোয়শিলমদাইদা প্রসিদেন্টনা মহাকপু মফম লৌথোকখিবা অমসুং হান্নগী লূচিংবা মহিন্দ রাজাপক্সাবু মহুৎ শিনজিনখিবা অদুগী মতূংদা ৱিক্রেমেসিংঘেনা ফম থাদোকউ য়াদনা লৈখিনি।

পালিয়ামেন্ট অমসুং কোর্টশিংদা য়েঙথিনবা পার্টিশিংনা লৈঙাক্কী শক্তি মুন্নদুনা লৈবদগী থা ২ রোম শ্রীলঙ্কাগী থবক তৌবা গভর্ণমেন্ট অমা য়াওদুনা মফম মরাং খঙদনা লৈরকখিবনি। প্রসিদেন্ট সিরিসেননা মহাক লৈরিবমখৈ ৱিক্রেমেসিংঘেবু প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা কৈদৌঙৈদা হাপ্লোই লৈবাক মীয়াম খঙনা ৱাশকখিবনি।

ঙসি ৱাশক লৌখিবা অদুসু প্রসিদেন্ট সিরিসেননা জর্নেলিষ্টশিংবু থৌরম অদু য়াওবদা অথিঙবা থমখি মরম অদুদগী প্রাইম মিনিষ্টর হাপ্পা অমসুং ৱাশকপগী থৌদোক অদু ৱিক্রেমেসিংঘেগী লেজিসলেচরশিংনা লাওথোকখি।

আইনগী ৱাংমদা লৈঙাক্কী শক্তি পায়শিনখিবা অদুগী ময়োক্তা লানথেঙনখিবা অমসুং দেমোক্রেসি অমুক হনঞ্জিহলকখিবা অসিগীদমক লৈবাকসিগী মীয়ামবু ঐখোয়না থাগৎলি হায়না ত্বিটরদা ৱিক্রেমেসিংঘেগী য়ুনাইটেদ নেসনেল পার্টি ওফ শ্রীলঙ্কানা ফোঙদোক্লকখি।

ঙরাং থাংজ নুমিৎতা মহিন্দ রাজাপক্সবু নমদুনা ফম থাদোকহন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক লেজিসলেচরগী ফ্লোরদা ৬রক হন্না মায়থিখি।

শ্রীলঙ্কাগী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েলশঙনা প্রসিদেন্ট সিরিসেনানা নবেম্বরগী অঙনবদা পালিয়ামেন্ট মুথৎখিবদু কন্সষ্টিট্যুয়েনসনগী ৱাংমদা থবক তৌবনি হায়না হৌখিবা চয়োলদা ৱায়েল তারকপদগী মহাক অচৌবা খুদোঙচাদবা মীংচৎথিবা অমা ময়োক্লরকখি।

রাজাপক্সনা অমসুং মহাক্কী কেবিনেট অদুনা মখোয়না পায়রিবা ওফিসকী শক্তিশিং শিজিনবা য়ারোই হায়না ইরাই নুমিৎতসু কোর্টনা ৱায়েল পীখ্রবনি। হৌজিক ৱিক্রেমেসিংঘেনা নুমিৎ খরনীগী মনূংদা কেবিনেট অমা শেম্লগনি হায়রি।

ꯌꯥꯝꯅ ꯇꯨꯡꯗ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯏ/URGENTLY WANTED

| POST | VACANCY | PREFER | SALARY |
|---|---|---|---|
| Helper/Nannies | 50 | Meitei / Tribal | 3500-5500 |

Contact no. : 9862780781 & 8416065510

Time : 10:00 a.m. - 4:00 p.m.

SL/1194/Upto 24 December2018

সনা-সুদোকু -১৩৬৫ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 4 | 8 | 1 | 9 | 6 | 5 | 3 | 2 |
| 5 | 6 | 2 | 3 | 4 | 7 | 8 | 9 | 1 |
| 9 | 3 | 1 | 2 | 8 | 5 | 7 | 6 | 4 |
| 6 | 2 | 3 | 7 | 5 | 1 | 4 | 8 | 9 |
| 1 | 9 | 5 | 8 | 6 | 4 | 3 | 2 | 7 |
| 8 | 7 | 4 | 9 | 2 | 3 | 1 | 5 | 6 |
| 4 | 8 | 6 | 5 | 7 | 9 | 2 | 1 | 3 |
| 2 | 1 | 9 | 4 | 3 | 8 | 6 | 7 | 5 |
| 3 | 5 | 7 | 6 | 1 | 2 | 9 | 4 | 8 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1366**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | | | 8 | 7 | | 4 | |
| 9 | | | | 5 | | 7 | | 6 |
| 2 | 7 | | | | 4 | | 3 | |
| | 2 | 6 | | | 5 | 4 | | |
| | 8 | 9 | 4 | | | | | 5 |
| 4 | | | 3 | 7 | | 8 | | |
| | | 4 | 7 | 6 | | | 5 | |
| | | 7 | | | 8 | 6 | | 4 |
| | 5 | | 9 | | | | 8 | 7 |